# অসামদা পুলিস কম্মান্দো বটালিয়ন ১০ লিংখৎলগনি

গুৱাহাটি, জুন ০৯ (এজেন্সী): অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা ষ্টেট অদুদা অনৌবা পুলিস কম্মান্দো বটালিয়ন ১০ অথুবা মতমদা হাংদোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা নৌনা হাংগদৌরিবা বটালিয়নশিং অদু লৈবাক অসিগী ইলাইদ কম্মান্দো ফোর্স নেস্নেল সেক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি) গী থাক্তা লিংনবা হোৎনগনি হায়রি।

নৌনা লিংখৎকদৌরিবা কম্মান্দো বটালিয়নশিং অসি ষ্টেট অদুগী য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা অমদি পুলিসকী অহেনবা মথৌ তাবা মফমশিংদা লৈহনগনি। অনৌবা কম্মান্দো বটালিয়ন অসিদা লৈগদবা পর্সনেলশিং লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অহেনবা ত্রেনিংগীদমক থাগনি।

কাজিরঙ্গদা ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা অসাম পুলিস এস পিশিংগী কনফরেন্স অমদা চীফ মিনিষ্টর সর্মনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। অসামদা লৈরিবা পুলিস পর্সনেলশিংগী ৱেলফ্যারগীদমক ঙসিগী কনফরেন্স অদু পাঙথোকখিবনি।

কনফরেন্স অদুনা মখা তানা সি এমনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা পুলিস পর্সনেলশিংগী অহেনবা থবক অসি শিংথানিংঙাইনি। মখোয়গী থবক্তা অৱাবা হন্থহন্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা পোলিসিশিং পায়খৎনবা হোৎনরি। হৌজিক লৈরিবা পুলিস ফোর্স অসিবু মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা অমদি থবক ফংদ্রিবা নহাশিংবু থবক পীনবগী পান্দমদা অসাম পুলিসনা সব ইন্সপেক্তর ২,০০০ লৌনবা প্লান তৌরি। চহী খুদিংগী ওইনা অসাম পুলিসতা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা নহা ওইরিবা মীওই লাক্ষ ১/১ থবক পীনবা পান্দম থল্লি।



কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাক্স ফোর্স বি জে পি লমলাই মন্দলগী চ্যেরমেন কে ঐচ ইবোমচা অমসুং লমলাই এ সী কোভিদ এৱ্যেরনেস এন্দ এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরপার্সন এ যামিনিগী মীৎয়েং মখাদা কাঙুচিঞ্জিল খুলেন অমসুং কাঙুচিঞ্জিল খুনৌদা মাস টেষ্টিং তৌখিবা

# মিজোরামদা অফ্রিকান স্বাইন ফেবরনা ওক ৫,০০০ হেন্না শিহনখ্রে

আইজোল, জুন ০৯ (এজেন্সী): হৌখিবা থা অনীরোম অসিদা মিজোরামদা অফ্রিকান স্বাইন ফিবরনা মরম ওইরগা ওক ৫,৫৪৬ শিহনখ্রে হায়না ষ্টেট এনিমেল হজবেন্দ্রি এন্দ ভেটিরিনরি সাইন্স দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা দিপার্টমেন্ট অসিগী জোইন্ট দিরেক্তর লালনিংথাঙানা ফোঙদোকখিবদা অফ্রিকান স্বাইন ফ্লু অসি মিজোরামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শন্দোরকপগী খুদম থেংনরি। হৌখিবা মার্চ থাদগী হৌরগা ষ্টেট অসিদা শন্দোকপা হৌরকখিবা স্বাইন ফ্লুনা হৌজিক ফাওবদা ওক ৫,৫৪৬ শিহনখিবগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ২২.১৮ কী অমাং অতা থোকহনখ্রে।

বংলাদেশকা তাইনবা মিজোরামগী লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা লুংসেন ভিলেজদা হৌখিবা মার্চ ২১ দা ইহান হানবা ওইনা অফ্রিকান স্বাইন ফ্লুনা ওক শিহনবগী থৌওং অসি থেংনরকখিবনি। নুমিৎ অদুদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা মিজোরামগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৯ দা লৈরিবা খুঙ্গং ১০৩ দা স্বাইন ফ্লু শন্দোকপা হৌখ্রে। লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টতা স্বাইন ফ্লুগী কেস মশীং ২,৪৯৭ থেংনখিবগা লোয়ননা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরি হায়না মহাক্না মখা তারি।


# স্কুল এদ্যুকেসনদা এন ঈগী ষ্টেট ৫ না খ্বাইদগী শোনবা পার্ফোমরশিং ওইরে

শিলোং, জুন ০৯ (এজেন্সী): খ্বাইদগী নৌবা পার্ফোমেন্স গ্রেদিং ইনদেক্সকী মতুং ইন্না অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট ৫ হায়বদি অসাম, মিজোরাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং মেঘলয়া অসি স্কুল এদ্যুকেসনদা খ্বাইদগী শোনবা পার্ফোমরশিংগী মনুং চল্লে। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রিনা কুমজা ২০১৯-২০ সিজনগী পার্ফোমেন্স গ্রেদিং ইনদেক্স রিলিজ তৌখি।

এক্সেস, ইক্বিটি, গভর্নেন্স প্রোসেস, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং ফেসিলিটিশিংগুম্বা পেরামিটর ৭০ গী দেটা বেজশিং শীজিন্নরগা স্কোর লৌখি। মহৈরোয়শিংনা স্কুলশিংদা মহৈ তম্বদগী ফংলিবা রিজল্ট অয়াম্বা ষ্টেটশিংনা মশা মশানা রিপোর্ট তৌজবা ওইরবসু সেন্তরগী মায়কৈদগী রিপোর্টশিং অদু য়েংশিন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। সেন্তরনা অসুম্না হোৎনবা অসিদা নেস্নেল এচিভমেন্ট সরভে দেটা শীজিন্নরি।

ইন্দেক্স অদুদা মেঘলয়ানা পোইন্ট ৬৪৯ গা লোয়ননা খ্বাইদগী মখাদা লৈ। ত্রিপুরানা ইন্দেক্স অদুদা পোইন্ট ৮০১ গা লোয়ননা খ্বাইদগী ফবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট ওইনা ২০ শুবা থাক্তা লৈ। ইন্দেক্স অদুদা মণিপুরনা পোইন্ট ৭৬৭ গা লোয়ননা ২৫ শুবা থাক্তা লৈ।

## CROSSWORD-3805



### ACROSS

1 Poked (7)
5 Moisten with hot fat (5)
8 Donkeys (5)
9 Wild horse (7)
10 Give back (7)
11 Given admission (3,2)
12 Hostility (6)
14 Accept a loan (6)
18 Large shell (5)
20 Wind instrument (7)
22 Baltic country (7)
23 Rub out (5)
24 Signalling code (5)
25 Young cats (7)

### DOWN

1 Open grassland (7)
2 Fertile tract in desert (5)
3 Put out of shape (7)
4 Maiden (6)
5 Kitchen herb (5)
6 Disperse (7)
7 Incite (3,2)
13 Cathedral, as at York (7)
15 Rich, luxurious (7)
16 Lacking intelligence (7)
17 Assail (6)
18 Dairy product (5)
19 Therefore (5)
21 Location (5)

**Solution 3804**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | A | S | I | C | S | | A | S | T | U | T | E |
| E | | T | | A | | | | T | | T | | X |
| F | I | E | L | D | | E | L | A | S | T | I | C |
| O | | E | | G | | T | | M | | E | | E |
| R | E | P | L | E | T | E | | M | E | R | G | E |
| E | | L | | | | R | | E | | | | D |
| | | E | C | C | E | N | T | R | I | C | | |
| S | | | | O | | A | | | | U | | P |
| N | A | S | A | L | | L | I | G | H | T | E | R |
| A | | P | | L | | L | | R | | D | | U |
| C | L | A | R | I | F | Y | | A | C | O | R | N |
| K | | I | | E | | | | P | | W | | E |
| S | U | N | D | R | Y | | T | E | N | N | I | S |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# রেংমা নাগা পিপলস কাউন্সিলনা কারবি অংলোংদগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট অমা তোঙান্না শেম্নবা দিমান্দ তৌখ্রে



গুৱাহাটি, জুন ০৯ (এজেন্সী): অথুবা মতমদা করবি একোর্দ খূৎয়েক পীন্ননবা থৌরাং লৌখৎলকখিবগা লোয়ননা রেংমা নাগা পিপলস কাউন্সিল (আর এন পি সী) না করবি অংলোং দিষ্ট্রিক্ট খায়দোক্লগা রেংমা হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট শেম্ননবা দিমান্দ তৌখ্রে।

আর এন পি সীনা রেংমাশিং অমসুং নন করিবিশিংনা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট অমা শেম্নবগী দিমান্দ তকশিল্লদুনা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। আর এন পি সীনা মেমোরেন্দম অদুদা গভর্ণমেন্টনা করবি একোর্দ খূৎয়েক পীন্নরগনি হায়না লাউথোরক্লিবা অসিনা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং ওইরিবা রেংমাশিংবু গভর্ণমেন্টনা উবা ঙমদবা দিমোক্রেসিগী অমম্বা শরুক অমদা চঙশিহল্লে।

গভর্ণমেন্টনা হন্দক্তা রেংমাশিং অমসুং অতৈ কম্যুনিটিশিংগী রাইটসশিং য়েংদনা করবি মিলিটেন্টশিংগা একোর্দ খূৎয়েক পীন্নরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা থিন্থদুনা লৈবা চুল্লোই হায়না পল্লদুনা আর এন পি সীনা হায়, করবি অংলোংদা লৈবা রেংমাশিং অমসুং নন-করবিশিংগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট শেম্নবা রেংমা নাগাশিংনা চহী কয়া গভর্ণমেন্টতা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা লাক্লি।

অদুমওইনমক হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা খোঙথাং অমত্তা লৌখত্তবা হায়বসি য়াম্না লাইবকথিবনি। আর এন পি সীনা মেমোরেন্দম অদুদা মখোয়গী মরু ওইবা দিমান্দ অনী পনখি। দিমান্দ অদুদি হৌজিক লৈরিবা বোকাজান-দিভিজন অপগ্রেদ তৌদুনা ফেন্তেচোদা হেদ ক্বার্টস ওইবা রেংমান হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট খুদক্তা শেম্বা অমসুং রেংমাশিংগীদমক রিজার্ভ তৌবা এম এল এ সিট অমা লৈহনবা অসিনি। পনবা য়াবদি এন এস সী এন (আই এম) না থোরকখিবা চেরোল অমদা সেন্তর, অসাম গভর্ণমেন্ট অমসুং সরেন্দর তৌরবা কারবি রেভেল গ্রুপ ৬ কী মরক্তা একোর্দ খূৎয়েক পীন্ননবা থৌরাং তৌরিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

# ব্লেক মার্কেটরশিংগী মথক্তা এক্সন লৌনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে

অগরটালা, জুন ০৯ (এজেন্সী): কোভিদ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা খম থেংনা অৱাবা পীরিঙৈ মরক অসিদা মীয়াম্না হিংবদা নোংমগী ওইনা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ব্লেক মার্কেট তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা এক্সন লৌনবা ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুদা ব্লেক মার্কেটিংগী থবক তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি অমদি অসিগুম্বা থবক থৌওংশিং অসি লৈঙাক্লা তুমিন্না য়েংদুনা খক লৈথোক্লোই।

ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম খরদা আলু অমসুং তিলহৌগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎখিবা অদুবু সী এম বিপ্লবনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থিগৎপা হৌনবা খঙহনখ্রে।

মীয়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্ন রিঙৈ মরক্তা পোৎ চৈ মমল ৱাংনা য়োনবা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। মসিনা মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা লোগী ৱাংমদা চানবা পোৎলমশিং মরু ওইনা টিলহৌ অমসুং আলু কা হেন্না পৈশিন্দুনা থল্লিবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা খঙহনখিবনি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা চীফ মিনিষ্টর কোভিদ স্পেসল রিলিফ পেকেজগী মখাদা ইমুং লাক্ষ ৭ লোমদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ফুদ পেকেটশিং প্রোভাইট তৌনবা ফিরেপ লৌখ্রে। ফুদ আইটেমশিং অসিদা আলু কেজি ৩, টিলহৌ কেজি ২ অমদি অতোপ্পা মথৌ তাবা পোৎলমশিং য়াওগনি। অরানবা মওংদা করবার তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা পরা তন্বীবা ওইনা লৈঙাক্না মীয়ামদা পোৎ চৈশিং অহোংবা মমলদা ফংহন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। মীয়াম্নসু য়ারিবমখৈ অরানবা মওংদা ব্যুজিনেস তৌরোইদবনি হায়রি।

## পেন্সন ফন্দ রেগ্যুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি

বি-১৪/এ, ছাত্রপাটি শিভাজি ভৱন, কুটব ইন্সটিট্যুসনেল এরিয়া, কাটৱারিয়া সরাই, ন্যু দেল্লী-১১০০১৬

জুন ১, ২০২১

### পব্লিক নোটিস

**পি এফ আর দি এ / এন পি এসকী মিংদা তৌবা নমথাক্কী ওফৱশিংগী মায়োক্তা চেকশিনবীয়ু**

পূকচেল শেংদবা মীওই খরনা পি এফ আর দি এগী মিংদা এন পি এস/পি এফ আর দি এদা লৈরিবা য়াল্লবা শেনফমশিং থাদোকহনগনি হায়না থাজবা পীদুনা ফোন তৌরকপা লৈরে হায়বসি খঙলে অমসুং মশক খঙবা ঙমদবা কোলরশিং অসিনা পেমেন্টশিং রিলিজ তৌহন্নবগী শেল নমদুনা লৌবা য়ানবা নমথাক্কী এক্সপ্লেনেসন কয়াসু পী।

পি এফ আর দি এ অসি নেসনেল পেন্সন সিষ্টেম (এন পি এস) রেগ্যুলেট তৌরিবা ষ্টেচুটরি বোদি অমনি হায়বসি মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি অমসুং এন পি এস/পি এফ দি এগী মিংদা অসিগুম্বা পূকচেল শেংদবা মীওইশিং অসিনা চিংনবা লৈজদবা সিটিজনশিংদা নমথাক তৌনবা হোৎনরিবসিদা পংথদনবা মীয়ামদা মখা তানা খঙহঞ্জরি।

এন পি এস/পি এফ আর দি এদগী ফন্দ রিলিজ তৌনবা পি এফ আর দি এনা ইন্দিভিজ্যুএলশিংদা শেল দিপোজিট তৌনবা হায়জদুনা কোল তৌবা লৈতে। নমথাক তৌরগা শেল লৌনবা অসুম্না কোল তৌরক্লবদি খূদক্তা পুলিসতা পাউ পীবা য়াই।

pfrda

davp 15102/11/0001/2122

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3604

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | | | 3 | | | |
| | 1 | 5 | 4 | | | | | |
| 4 | 8 | | | 5 | 6 | | | |
| | | 3 | | 1 | 8 | | 2 | |
| 5 | | | | | | | | 7 |
| | 9 | | 7 | 6 | | 3 | | |
| | | | 6 | 9 | | | 1 | 2 |
| | | | | | 1 | 9 | 5 | |
| | | | 8 | | | | | 6 |

### Solution-3603

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 9 | 1 | 8 | 3 | 4 | 7 | 6 |
| 4 | 6 | 3 | 7 | 9 | 5 | 2 | 8 | 1 |
| 7 | 8 | 1 | 6 | 2 | 4 | 3 | 5 | 9 |
| 8 | 2 | 4 | 9 | 3 | 7 | 1 | 6 | 5 |
| 9 | 3 | 5 | 8 | 6 | 1 | 7 | 4 | 2 |
| 1 | 7 | 6 | 5 | 4 | 2 | 8 | 9 | 3 |
| 5 | 4 | 7 | 2 | 1 | 9 | 6 | 3 | 8 |
| 3 | 1 | 8 | 4 | 5 | 6 | 9 | 2 | 7 |
| 6 | 9 | 2 | 3 | 7 | 8 | 5 | 1 | 4 |

## ꯃꯌꯦꯛ ꯁꯦꯡꯕ ꯄꯥꯎ / EMPLOYMENT NEWS

Western Railway Apprentice Recruitment 2021 – RRC Mumbai Apprentice 2021: Government of India, Ministry of Railways, Western Railway, Railway Recruitment Cell (RRC) Mumbai invites online applications from eligible interested candidates for engagement of Apprentices against the 3591 slots notified for training in the designated Trades under Apprentice Act 1961 at various Divisions, Workshops within the jurisdiction of Western Railways for the year 2021-22. The WR Apprentice 2021 online registration process will be start from 25th May 2021 to 24th June 2021.
Notification No. RRC/WR/01/2021
Name of Post
Total Vacancies
ITI Apprentices
3591
Age Limit:
15 to 24 years as on 24th June 2021
Upper Age Relaxation: 05 years for SC / ST, 03 years for OBC and 10 years for PWD.
Essential Qualification:
Matriculation or 10th class Pass in 10+2 examination system with minimum 50% marks in aggregate from a recognized board.
ITI certificate affiliated to NCVT / SCVT is compulsory in relevant trade.
Designated Trades: Fitter, Welder (G&E), Turner, Machinist, Carpenter, Painter, Mechanic, Computer Operator and Programming Assistant (COPAA), Electrician, Electronic Mechanic, Wireman, Plumber, Draftsman Civil, Stenography, Refrigeration & AC Mechanic.
Application Fee:
A Non Refundable fee of ? 100/- only for General / OBC category candidates.
No fee for SC / ST / PWD / Women candidates.
The fee payment will have to be made online through payment gateway.
Selection Process: Will be based on the merit list which would be prepared taking the average of the percentage of marks obtained by the Applicants in both Matriculation [with minimum 50% (aggregate) marks] and ITI examination.
How to Apply: Eligible candidates are required to apply online through RRC Western Railway Portal (rrc-wr.com) from 25th May 2021.
Applicants are required to fill up the personal details/ Trade / Aadhaar number / Marks / CGPA / preference for Divisions / Workshops etc. The last date for registration of online applications is 24/06/2021 up to 17:00 Hours.

---

Bank Note Press Dewas Recruitment 2021 bnpdewas.spmcil.com: Bank Note Press Dewas (Madhya Pradesh) invites online applications from eligible Indian Nationals for recruitment of various positions of Dewas Unit. The online registration process will be start from 12th May 2021 to 11th June 2021.
India Government Mint Dewas Unit Vacancies:
Name of Post
No of Vacancies
Welfare Officer
01
Supervisor (Ink Factory)
01
Supervisor (IT)
01
Junior Office Assistant
15
Junior Technician (Ink Factory)
60
Junior Technician (Printing)
23
Junior Technician (Electrical / IT)
15
Junior Technician (Mechanical / AC)
15
India Government Mint Noida Vacancies:
Name of Post
No of Vacancies
Secretarial Assistant
01
Junior Office Assistant
03
Age Limit:
30 years for Welfare Officer, Supervisor posts.
28 years for Junior Office Assistant, Secretarial Assistant Posts.
25 years for Junior Technician Posts.
Pay Scales:
Welfare Officer: ? 29740 - 103000 (Level A-2)
Supervisor: ? 27600 - 95910 (Level S-1)
Junior Office Assistant: ? 21540 - 77160/- (Level B-3)
Junior Technicians: ? 18780 - 67390/- (Level W-1)
Secretarial Assistant: ? 23910 - 85570/- (Level B-4)
Educational Qualifications:
Welfare Officer: A Bachelors Degree + A Degree or Diploma in Social Science. Has adequate knowledge of Hindi as also of the language spoken by the majority or the workers in the factory.
Supervisor (Ink Factory): 1st Class full time Diploma in Dyestuff Technology / Paint Technology / Surface Coating Technology / Printing Ink Technology / Printing Technology. IT): First class full time Diploma in Engineering in the IT / Computer Engineering. Higher qualification i.e. B.E. / B.Tech / B.Sc. Engineering in relevant trade.
Supervisor (IT): First class full time Diploma in Engineering in the IT / Computer Engineering. Higher qualification i.e. B.E. / B.Tech / B.Sc. Engineering in relevant trade.
Junior Office Assistant: Graduate degree with at least 55% marks and Computer Knowledge with typing speed on computer in English @ 40 wpm / Hindi @ 30 wpm.
Junior Technician (Ink Factory): Full time ITI certificate in Dyestuff Technology / Paint Technology / Surface Coating Technology / Printing Ink Technology / Printing Technology along with 01 year NAC certificate from NCVT.
Junior Technician (Printing): Full time ITI certificate in Printing Trade or relevant trade. Minimum 01 year NAC certificate from NCVT.
Junior Technician (Electrical / IT): Full time ITI certificate in Electrical, Electronics along with 01 year NAC certificate from NCVT.
Junior Technician (Mechanical / AC): Full time ITI certificate in Fitter, Machinist Turner, Instrument Mechanic, Mechanic Motor Vehicle along with 01 year NAC certificate from NCVT.
Secretarial Assistant: Graduate (Bachelor's Degree) with at least 55% marks. Computer Knowledge. Stenography in English or Hindi @ 80 wpm and Typing @ 40 wpm in English or Hindi.
Selection Process:
Written Test
Interview
Application Fee: Not Specified.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through BNP Dewas official website from 12th May 2021. The last date for registration of online applications is 11/06/2021.

---

CSIR IMMT Recruitment 2021: CSIR - IMMT Bhubaneswar invites online applications from bonafide Indian Citizens for recruitment of Junior Secretariat Assistant and Junior Stenographer positions. The online registration process will be start from 20th May 2021 to 21st June 2021.
Advertisement No. 02/2021
Name of the Post
Total Vacancies
Junior Secretariat Assistant (G)
07
Junior Secretariat Assistant (F&A)
02
Junior Secretariat Assistant (S&P)
03
Junior Stenographer
02
Age Limit:
Junior Secretariat Assistant: 28 years
Junior Stenographer: 27 years
Pay Scales:
Junior Secretariat Assistant: Pay Level 2 ? 19900 - 63200/-
Junior Stenographer: Pay Level 4 ? 25500 - 81100/-
Educational Qualifications:
10+2 / XII / Matriculation with 12th class Pass or its equivalent.
Proficiency in Computer typing speed (English - 35 w.p.m.)
How to Apply: Eligible Interested candidates are required to apply online through CSIR IMMT official website from 20th May 2021. The last date for registration of online applications is 21/06/2021 till 5:00 PM.







